# ইষ্ট বেঙ্গলনা ইন্দিয়ন এরোজকী টিমবু পাঞ্জল ৩-১দা থোইদুনা হিরো আই লীগকী পোইন্ট টেবলদা ৬শুবা পোজিসনদা হায়গৎখ্রে

Hero I-LEAGUE
Match on 19 Feb (Wednesday)
CHURCHILL Vs REAL KASHMIR



মুম্বাই, ফেব্রুৱারী ১৭(এজেন্সী): মহারাষ্ট্রগী সিটি মুম্বাইদা লৈবা কুপরেজ গ্রাউন্দদা ইন্দিয়ন এরোজগী টিমনা য়ুম্বু ওইরগা ঙসি শান্নখিবা হিরো আই লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী লীগ মেচ অমদা ইষ্ট বেঙ্গলনা মখোয়বু পাঞ্জল ৩-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

ইন্দিয়াগী ইন্দিয়ন এরোজগী টিম অসি ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসননা কুমজা ২০১৭তা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোকখিবা চহী ১৭ মখাগী ফিফা ৱর্ল্ড কপ্তা শরুক য়াখিবা ইন্দিয়াগী টিম অদুগী শান্নরোয়শিংনা মখা তারকপা তোঙান-তোঙানবা ইন্টর্নেসনল টুর্নামেন্টতা শরুক য়ানবগী শেম শাবা ওইনা শেমখিবনি।

টিম অসি থারগা হিরো আই লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিদা পুন্না টিম ১১না শরুক য়ারিবনি। লীগ অসি লোইশিল্লকপদা ইন্দিয়ন এরোজগী ওইনদি হৌজিক হৌজিক মমৈদা লৈরবসু রেলিগেসন তৌবগী তাঙ্কক অদু মখোয়দা লৈখিদে। টুর্নামেন্ট অসি লোইশিল্লকপদা ১০শুবা পোজিসনদা লৈখিবা টিম অদু রেলিগেট তৌদুনা হিরো আই লীগ অসিদগী থাক অমা হন্থনা লৈরিবা হিরো সেকেন্দ দিভিজন লীগতা শান্নগদৌরিবনি। অদুগা মখোয়গী মহুৎতা হিরো সেকেন্দ দিভিজন লীগকী মকোক থোংবা টিম অদুনা মহুৎ শীল্লগা হিরো আই লীগ অসিদা মথংগী সিজনদা শরুক য়াগদবনি।

ইন্দিয়ন এরোজগী টিম ঙসি মেচ অসিগী মাংওইননা শান্নখিবা মেচ ১১দা মেচ ২খক মায় পাক্লবা মতুং মেচ ২ দ্রো চৎখিবা অমদি মেচ ৭ মায়থীবা নংদুনা পোইন্ট ৮ ফঙদুনা পোইন্ট টেবলগী খ্বাইদগী মমৈদা লৈখি।

| Pos | Team | Pl | W | D | L | GF | GA | GD | Pt |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Mohun Bagan | 12 | 9 | 2 | 1 | 27 | 11 | +16 | 29 |
| 2 | Punjab | 13 | 5 | 6 | 2 | 17 | 14 | +3 | 21 |
| 3 | Gokulam Kerala | 11 | 5 | 2 | 4 | 14 | 13 | +1 | 17 |
| 4 | TRAU | 13 | 4 | 4 | 5 | 12 | 20 | −8 | 16 |
| 5 | Churchill Brothers | 10 | 5 | 1 | 4 | 18 | 13 | +5 | 16 |
| 6 | East Bengal | 12 | 4 | 3 | 5 | 15 | 13 | 2 | 15 |
| 7 | Real Kashmir | 10 | 4 | 3 | 3 | 11 | 9 | +2 | 15 |
| 8 | Chennai City | 12 | 4 | 3 | 5 | 14 | 17 | −3 | 15 |
| 9 | Aizawl | 12 | 3 | 5 | 4 | 12 | 17 | −1 | 14 |
| 10 | NEROCA | 13 | 3 | 3 | 7 | 18 | 27 | −9 | 12 |
| 11 | Indian Arrows | 12 | 2 | 2 | 8 | 6 | 15 | −9 | 8 |

অমরোমদা, ইষ্ট বেঙ্গলগী টিম মেচ ১১ শান্নখিবদা ৩ মায় পাক্লগা মেচ ৩ দ্রো চৎখিবা অমদি মেচ ৫ মায়থীবা নংদুনা পোইন্ট ১২ ফংলগা ৯ শুবা পোজিসনদা লৈখিবনি।

ঙসি মুম্বাইগী কুপরেজ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেচ অদুগী হৌরকপদা ইষ্ট বেঙ্গলগী মায়কৈদগী জেমি সন্তোসনা টিমমেট মার্ক জিমিনেজনা পীরকপা বোল অমদা ৬শুবা মিনটতা পাঞ্জল চন্দুনা ইন্দিয়ন এরোজবু মাংজিল থাখি। অহানবা হাফ লোইশিনখ্রবা মতুং ২শুবা হাফ হৌরকপা ইকুই কুইদ্রিঙৈ ইন্দিয়ন এরোজগী এটেক অমদা পেনাল্টি অমা ফংদুনা টিম অদুগী শান্নরোয় বিক্রম প্রতাপ সিংহনা পাঞ্জল ওইরমগদবা তাঞ্জা অমা মাংজখি।

মিনট ৭ লৈরগা ইন্দিয়ন এরোজগী মায়কৈদগী চথরকখিবা এটেক অমদা এ অধিকারিনা পীখিবা পাস অমদা বিক্রম প্রতাপ সিংহনা পাঞ্জল চন্দুনা ইক্বেলাইজর ওইখি। পাঞ্জল মান্নরবসু ইষ্ট বেঙ্গলগী মায়কৈদগী মখা তানা চথরকখিবা এটেকশিংদা ইন্দিয়ন এরোজগী দিফেন্দরশিং অৱাবা অমা ওইখি।

শান্নবগী ৬২শুবা মিনটতা ইষ্ট বেঙ্গলগী এস মালিকনা পীখিবা পাস অমদা টিমমেট এ অখতরনা পাঞ্জল চন্দুনা ২-১দা মাংজিল থাখি। ইকুই কুইদনা পাঞ্জল হেল্লেবা ইষ্ট বেঙ্গলনা চথরকখিবা এটেক অমদা জাইমে সান্তোসনা পীখিবা পাস অমদা টিমমেট লালরিনদিকা রালতেনা পাঞ্জল চন্দুনা ৩-১দা ইন্দিয়ন এরোজবু মাংজিল থাদুনা লৈখি।

ইন্দিয়ন এরোজগী মায়কৈদগী মখা তারকপা মেচকী শান্নবদা শান্নরোয় ৩ শীন্দোক্তুনা শোথখিবা পাঞ্জল হন্দোক্লবা হোৎনরবসু ইষ্ট বেঙ্গলগী দিফেন্দরশিংগী পাঙ্গল নমখাইবা ঙমখিদবদগী মেচ অদু ১-৩দা মায়থীখিবদগী ইষ্ট বেঙ্গলগী টিম পোইন্ট টেবলদা ৬শুবা পোজিসনদা হায়গৎপা ঙমখি।

## কিলোমিটর ৩০০গী লোং দিষ্টেন্স বাই-সাইকল রাইদ লোইশিনখ্রে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৭(ঐচএনএস): ইম্ফাল রেন্দোনুর্সনা শীন্দুনা বি আর এমগী মমাঙগী চথ্দুনা লাকপা থবক থৌরমশিংগী মনুং চন্না থা অসিগী ১৬কী অহিং নোংয়াই মতুং কিলোমিটর ৩০০ শাংনা চৎখিবা বাই-সাইকল রাইদ লোইশিনখ্রে।

সাইক্লিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা জুনিয়র সাইক্লিংগী ৱর্ল্ড নম্বর ১ ওইরিবা মণিপুরগী লাইতোনজম রোনাল্ডোনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী থাংমৈবন্দদগী হৌরগা কিলোমিটর ৩০০ য়ৌনা নুপা রাইদর ১৩ অমদি নুপী রাইদর ২ য়াওবা বাই-কাইকল রাইদ অদু লমথাখিবনি।

রাইদরশিং অসিনা থাংমৈবন্দদগী হৌরগা চুরাচন্দপুর ফাওবা হনগৎ হন্দা থৌরুরবা মতুং কাংচুপ্তা য়ৌরগা সেকমাই তান্না চৎকনি। সেকমাইদগী মখা তানা সেনাপতি ফাওবা হনগৎ হন্দা থৌরুরবা মতুং সেকমাইদগী দোলাইথাবী দামদা চৎলুরগা থাংমৈবন্দদা কিলোটির ৩০০গী লম্বেল অদু লোইশিনগদৌরিবনি। রাইদর ১৫মক্লা হায়রিবা কিলোমিটর ৩০০গী মরাথন রাইদ অদু অতেনবা ব্রেক লৌখিবা অদুখক নত্তনা মপুং ফানা থাংমৈবন্দদা লোইশিনখ্রে হায়না মণিপুর এদভেঞ্চর এন্দ মাউন্টেন বাইকর্স এসোসিএসননা প্রেসতা ফোঙদোরক্লি।

## মায় পাক্লকখ্রবা বোদি বিল্ডিরশিং ওকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৭(ঐচএনএস): থা অসিগী ১ অমসুং ২দা অন্ধ প্রশেকী অমালাপুরমদা লৈবা কনভেন্সন সেন্টরদা পাঙথোকখিবা ১০শুবা জুনিয়র/মাষ্টর্স/লেদিজ/দিবিয়াং নেসনল বোদিবিল্ডিং অমসুং ফিজিক চেম্পিয়নশিপ ২০২০দা মাষ্টরগী চহী ৪০দগী ৫০ ফাওবগী কেটগরিদা শরুক য়ারুবা মুতুম অমর অমদি জুনিয়র ৱিমেন্স মোদেল ফিজিকতা ৩শুবা পোজিসন তারকখ্রবী জেনিকা নাওরেমবু খাগেম্পলিদা লৈবা সঙাই জিমনা তরাম্না ওকখ্রে।





ঙসি খাগেম্পলিদা লৈবা সঙাই জিমগী মায়কৈদগী পীরকপা চেরোল অমগী মতুং ইন্না জিম অদুগী সেক্রেটরী, প্রসিদেন্ট অমদি শান্নরোয়শিংনা ওকপগী থৌরম অদু পাঙথোকখি হায়রি। চেম্পিয়নশিপ অদুদা মণিপুরগী শান্নরোয়শিংবু লমজিংদুনা চৎখিবা সঙাই জিম খাগেম্পলিগী চীফ কোচ নাওরেম রঞ্জিৎনা টিম মেনেজর ওইদুনা অন্ধ প্রদেশকী অমালাপুরমগী চেম্পিয়নশিপ অদুদা মণিপুরগী টিমগী মায়কৈদগী মায় পাক্লকখিবা শান্নরোয়শিং অদু ওকখিবনি।

## নেদর্লেন্দসকী কিকি বর্টেন্সনা সেন্ট পিটর্সবর্গ টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপীগী সিঙ্গলস টাইটল লৌখ্রে



সেন্ট পিটর্সবর্গ, ফেবুৱারী ১৭(এজেন্সী): রসিয়াগী সিটি সেন্ট পিটর্সবর্গতা পাঙথোকপা ৱিমেন্স টেন্নিস এসোসিএসনগী টুরগী মনুং চনবা টুর্নামেন্টতা নেদর্লেন্দসকী কিকি বর্টেন্সনা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রে।

ৱর্ল্ড নম্বর ৮ কিকি বর্টেন্সনা সেন্ট পিটর্সবর্গ ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অদুগী মমাঙগী চহীদসু টাইটল ফংখিবনি। মহাক্না ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল মেচতা কজাকস্তানগী শান্নরোয় মশাগী চহী ২০দা ঙাইরিবী ইলিনা রাইবাকিনাবু ষ্ট্রেট সেট ২দা ৬-১, ৬-৩দা থোইদুনা টুর্নামেন্ট অদুগী চেম্পিয়ন ওইবতা নত্তনা ৱিমেন্স টেন্নিস এসোসিএসন টুরগী ১০রক শুবা টাইটল লৌবা ঙমখি।

পনবা য়াই, টুর্নামেন্ট অসিগী সেমিফাইনেল য়ৌরকপদা টুর্নামেন্ট অসিগী ২শুবা সিদেদ কিকি বর্টেন্সনা রসিয়াগী একাতেরিনা এলিজান্দ্রোভাবু ৬-১, ৪-৬, ৬-১দা থোইরমখি। অমরোমদা কজাকস্থানগী ইলিনা রাইবাকিনানা ৮শুবা সিদেদ ওইনা শরুক য়ারক্লগা সেমিফাইনেলদা টুর্নামেন্ট অসিগী ৬শুবা সিদেদ শান্নরোয় ওইখিবা গ্রিসকী মারিয়া সকারিবু ৩-৬, ৭-৫, ৬-১দা থোইদুনা ফাইনেল য়ৌরকখিবনি।

চেম্পিয়ন ওইখ্রবী কিকি বর্টেন্সনা ঙরাং শান্নখিবা ফাইনেল মেচ অদুদা ২শুবা সেটতা ব্রেক পোইন্ট ৫ কনবা ঙমদুনা মায় পাকপা ঙমখি।

### ফর্স্ত ষ্টেট লেভেল এস তোম্বা ফুটবোল টুর্নামেন্ট

## সঞ্জেনবম এফ সী, ও জি এস অমদি লনচেনবী এফ সী মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৭(ঐচএনএস): কমখ্যা সোসল য়ুথ ক্লব, হিয়াংথাংনা শীন্দুনা কে এস ৱাই সী শান্নবুঙদা চথরিবা অহানবা ষ্টেট লেভেল এ তোম্বা মেমোরিএল দে এন্দ দাইট ৪ মেন এ-সাইদ ওপন সুপর সোকর টুর্নামেন্ট ২০২০গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা সঞ্জেনবম এফ সীনা ঐচ ঈ ৱাই দি এ হিয়াংথাং মখা লৈকায়বু পাঞ্জল ৪-৩দা, ও জি এস মৈত্রাওনা এফ সী হিয়াংথাং (বি) বু পাঞ্জল ৪-২দা অদুগা লনচেনবী এফ সী (এ) তাওবুংখোকনা এস য়ু সী হৈরাঙ্গৈইথোংবু পাঞ্জল ৭-৪দা মায়থীবা পীখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম কয়ানা শরুক য়াদুনা চথরিবা অহানবা ষ্টেট লেভেল এ তোম্বা মেমোরিএল দে এন্দ দাইট ৪ মেন এ-সাইদ ওপন সুপর সোকর টুর্নামেন্ট ২০২০গী অহুমশুবা মেচ ওইনা সঞ্জেনবম এফ সী অমসুং ঐচ ঈ ৱাই দি এ হিয়াংথাং মখা লৈকায় শান্নখিবা মেচ অদু সঞ্জেনবম এফ সীনা পাঞ্জল ৪-২দা মায় পাকখি। মরিশুবা মেচতা ও জি এস মৈত্রাও অমসুং এফ সী হিয়াংথাং (বি) শান্নখিবা মেচ অদু ও জি এস মৈত্রাওনা পাঞ্জল ৪-২দা মায় পাকখি। অদুগা মঙাশুবা মেচতনা লনচেনবী এফ সী (এ) তাওবুংখোক অমদি এস য়ু সী হৈরাঙ্গৈইথোং শান্নখিবা মেচ অদু লনচেনবী এফ সী (এ) তাওবুংখোক্না পাঞ্জল ৭-৪দা মায় পাকখি।

### ৬শুবা ধনবির ট্রোফি ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২০

## লাইরেম্বী এফ সী, অমর এফ সী হুইকপ মায় পাকখ্রে, মেচ অমনা দ্রো চৎখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৭ (ঐচএনএস): জেক এফ সী অংথানা শীন্দুনা এল ৱাই সী শান্নবুঙদা চথরিবা ৬শুবা ধনবির ট্রোফি ষ্টেট লীগ লেভেল ভিল্লেজ ওপন মেন্স ৭ এ-সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২০গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা লাইরেম্বী এফ সী, অমর এফ সী হুইকপ মায় পাকখ্রে। অদুগা দল্লিয়ু ৱাই এল সী ও অমসুং এ এফ সী দ্রো চৎখ্রে।

অহানবা গ্রাউন্দদা লাইরেম্বী এফ সী অমসুং ৱান্টেদ বোইজ লম্বা তৌনখিবদা লাইরেম্বী এফ সীনা ৱান্টেদ বোইজপু পাঞ্জল ১-০দা মায়থীবা পীখি।

অনীশুবা গ্রাউন্দদা দল্লিয়ু ৱাই এল সী ও কোংবা অমসুং এ এফ সী কৈরাও শান্নখিবা মেচ অদু পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা দ্রো চৎখ্রে। অহুমশুবা গ্রাউন্দদা অমর এফ সী হুইকপ অমসুং জেক এফ সী অংথা লম্বা তৌনখিবা মেচ অদু অমর এফ সী হুইকপনা জেক এফ সীবু পাঞ্জল ২-০দা মায়থীবা পীখি।

## খুদোংচাদবা খরা লৈবদগী ক্যাইজ নম্বর ১১৩গী ৱাহং হাপ্পা ঙমজদ্রে

## মার্চ ২৯দগী ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লীগ টি-২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট শান্নবা হৌরগনি

মুম্বাই, ফেব্রুৱারী ১৭(এজেন্সী): মালেমগী টি-২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা অমা ওইরিবা ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লীগ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট চহী অসিগী মার্চ ২৯দগী হৌরগনি। অহৌবা নুমিৎতা মমাঙগী চেম্পিয়ন মুম্বাই ইন্দিয়ন্সনা য়ুম্বু ওইরগা সিটি অদুদা লৈবা ৱাংখেদি ষ্টেদিয়মদা চেন্নাই সুপর কিংসকা শান্নরগনি।

বোর্দ ওফ কন্ট্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়া (বি সি সি আই)না হৌখিবা থাংজ নুমিৎতা টুর্নামেন্ট অসিগী অরোইবা ফিকচর অদু ফোঙদোকখি। লীগ টুর্নামেন্ট অসিগী লীগ ফেজ অদু নুমিৎ ৫০ চুপ্না শান্নরবা মতুং চহীসিগী মেচ ১৭তা লোইগদৌরি।

লীগ ফেজ লোইরবা মতুংদা নোক আউটকী সেদ্যুল অদু মখা তানা লাউথোরক্কনি হায়রি।

**INDIAN PREMIER LEAGUE 2020**
**SCHEDULE, FIXTURES**

| Date | Match | Time | Venue |
|---|---|---|---|
| MAR 29 | Mumbai Indians vs Chennai Super Kings | 8:00 PM | Mumbai |
| MAR 30 | Delhi Capitals vs Kings XI Punjab | 8:00 PM | Delhi |
| MAR 31 | Royal Challengers Bangalore vs Kolkata Knight Riders | 8:00 PM | Bengaluru |
| APR 1 | Sunrisers Hyderabad vs Mumbai Indians | 8:00 PM | Hyderabad |
| APR 2 | Chennai Super Kings vs Rajasthan Royals | 8:00 PM | Chennai |
| APR 3 | Kolkata Knight Riders vs Delhi Capitals | 8:00 PM | Kolkata |
| APR 4 | Kings XI Punjab vs Sunrisers Hyderabad | 8:00 PM | Mohali |
| APR 5 | Mumbai Indians vs Royal Challengers Bangalore | 4:00 PM | Mumbai |
| APR 5 | Rajasthan Royals vs Delhi Capitals | 8:00 PM | Jaipur/Guwahati |
| APR 6 | Kolkata Knight Riders vs Chennai Super Kings | 8:00 PM | Kolkata |
| APR 7 | Royal Challengers Bangalore vs Sunrisers Hyderabad | 8:00 PM | Bengaluru |
| APR 8 | Kings XI Punjab vs Mumbai Indians | 8:00 PM | Mohali |
| APR 9 | Rajasthan Royals vs Kolkata Knight Riders | 8:00 PM | Jaipur/Guwahati |
| APR 10 | Delhi Capitals vs Royal Challengers Bangalore | 8:00 PM | Delhi |
| APR 11 | Chennai Super Kings vs Kings XI Punjab | 8:00 PM | Chennai |
| APR 12 | Sunrisers Hyderabad vs Rajasthan Royals | 4:00 PM | Hyderabad |
| APR 12 | Kolkata Knight Riders vs Mumbai Indians | 8:00 PM | Kolkata |
| APR 13 | Delhi Capitals vs Chennai Super Kings | 8:00 PM | Delhi |
| APR 14 | Kings XI Punjab vs Royal Challengers Bangalore | 8:00 PM | Mohali |
| APR 15 | Mumbai Indians vs Rajasthan Royals | 8:00 PM | Mumbai |
| APR 16 | Sunrisers Hyderabad vs Kolkata Knight Riders | 8:00 PM | Hyderabad |
| APR 17 | Kings XI Punjab vs Chennai Super Kings | 8:00 PM | Mohali |
| APR 18 | Royal Challengers Bangalore vs Rajasthan Royals | 8:00 PM | Bengaluru |
| APR 19 | Delhi Capitals vs Kolkata Knight Riders | 4:00 PM | Delhi |
| APR 19 | Chennai Super Kings vs Sunrisers Hyderabad | 8:00 PM | Chennai |
| APR 20 | Mumbai Indians vs Kings XI Punjab | 8:00 PM | Mumbai |
| APR 21 | Rajasthan Royals vs Sunrisers Hyderabad | 8:00 PM | Jaipur |
| APR 22 | Royal Challengers Bangalore vs Delhi Capitals | 8:00 PM | Bengaluru |
| APR 23 | Kolkata Knight Riders vs Kings XI Punjab | 8:00 PM | Kolkata |
| APR 24 | Chennai Super Kings vs Mumbai Indians | 8:00 PM | Chennai |
| APR 25 | Rajasthan Royals vs Royal Challengers Bangalore | 8:00 PM | Jaipur |
| APR 26 | Kings XI Punjab vs Kolkata Knight Riders | 4:00 PM | Mohali |
| APR 26 | Sunrisers Hyderabad vs Delhi Capitals | 8:00 PM | Hyderabad |
| APR 27 | Chennai Super Kings vs Royal Challengers Bangalore | 8:00 PM | Chennai |
| APR 28 | Mumbai Indians vs Kolkata Knight Riders | 8:00 PM | Mumbai |
| APR 29 | Rajasthan Royals vs Kings XI Punjab | 8:00 PM | Jaipur |
| APR 30 | Sunrisers Hyderabad vs Chennai Super Kings | 8:00 PM | Hyderabad |
| MAY 1 | Mumbai Indians vs Delhi Capitals | 8:00 PM | Mumbai |
| MAY 2 | Kolkata Knight Riders vs Rajasthan Royals | 8:00 PM | Kolkata |
| MAY 3 | Royal Challengers Bangalore vs Kings XI Punjab | 4:00 PM | Bengaluru |
| MAY 3 | Delhi Capitals vs Sunrisers Hyderabad | 8:00 PM | Delhi |
| MAY 4 | Rajasthan Royals vs Chennai Super Kings | 8:00 PM | Jaipur |
| MAY 5 | Sunrisers Hyderabad vs Royal Challengers Bangalore | 8:00 PM | Hyderabad |
| MAY 6 | Delhi Capitals vs Mumbai Indians | 8:00 PM | Delhi |
| MAY 7 | Chennai Super Kings vs Kolkata Knight Riders | 8:00 PM | Chennai |
| MAY 8 | Kings XI Punjab vs Rajasthan Royals | 8:00 PM | Mohali |
| MAY 9 | Mumbai Indians vs Sunrisers Hyderabad | 8:00 PM | Mumbai |
| MAY 10 | Chennai Super Kings vs Delhi Capitals | 4:00 PM | Chennai |
| MAY 10 | Kolkata Knight Riders vs Royal Challengers Bangalore | 8:00 PM | Kolkata |
| MAY 11 | Rajasthan Royals vs Mumbai Indians | 8:00 PM | Jaipur |
| MAY 12 | Sunrisers Hyderabad vs Kings XI Punjab | 8:00 PM | Hyderabad |
| MAY 13 | Delhi Capitals vs Rajasthan Royals | 8:00 PM | Delhi |
| MAY 14 | Royal Challengers Bangalore vs Chennai Super Kings | 8:00 PM | Bengaluru |
| MAY 15 | Kolkata Knight Riders vs Sunrisers Hyderabad | 8:00 PM | Kolkata |
| MAY 16 | Kings XI Punjab vs Delhi Capitals | 8:00 PM | Mohali |
| MAY 17 | Royal Challengers Bangalore vs Mumbai Indians | 8:00 PM | Bengaluru |

## ইন্দিয়াগী এথলেটনা ৱর্ল্ড স্নোসু চেম্পিয়নশিপ্তা মেদল ৩ ফংখ্রে

শ্রিনগর ফেব্রুৱারী ১৭(এজেন্সী): জপানগী সিটি মিওকোদা পাঙথোকপা ৱর্ল্ড স্নোসু চেম্পিয়নশিপ্তা ইন্দিয়াগী মহুৎ শীনখিবা জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী এথলেট ৩না মেদল অহুম ফংবা ঙমখ্রে।

মালেমগী তোঙান-তোঙানবা লৈবাক ১৭না শরুক য়াখিবা ৱর্ল্ড স্নোসু চেম্পিয়নশিপ অদুদা জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী আইয়ন বিন সাহনাজনা জুনিয়র বোইজ কেটগরিদা কিলোমিটর ৫গী কম্পিটিসনদা সিলভর মেদল ফংবা ঙমখি। হায়রিবা ইভেন্ট অদুমক্তদা ষ্টেট অদুগী অতোপ্পা শান্নরোয় মশাগী চহী ১০দা ঙাইরিবা জেন অলিনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংবা ঙমখি।

নাকল অমরোমদা চহী ২০দগীনা ২৯ ফাওবগী কাংলুপকী কিলোমিটর ৯গী কম্পিটিসনদা জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী মুজামিল হুসেন মিরনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌবা ঙমখি। মখোয় অহুম্না ইন্দিয়াগী ওইবা চেম্পিয়নশিপ অসিদা অনৌবা পুৱারী অমা শেমখি।

## ইন্দিয়া অমসুং রোমানিয়াগী টিম পাঞ্জল ৩-৩দা দ্রো চৎখ্রে

টুরক্লর, ফেব্রুৱারী ১৭(এজেন্সী): ইন্দিয়াগী চহী ১৭ মখাগী ফুটবোল টিমনা ঙরাং টর্কিদা লৈবা টুরক্লরদা রোমানিয়াগা শান্নখিবা ফ্রেন্দলি মেচ অমদা পাঞ্জল ৩-৩ চন্নরগা দ্রো চৎখ্রে।

ইন্দিয়াগী টিম অসিনা চহী অসিগী নবেম্বর থাদা লৈবাক অসিদা পাঙথোক্কদৌরিবা চহী ১২ মখাগী নুপীগী ফিফা ৱর্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অদুগী শেম শাবা ওইনা টর্কিদা এক্সপোজর টুর অমা চৎখিবনি। ঙরাং শান্নখিবা মেচ অদুগী হৌরকপদা ইন্দিয়াগী টিম অদুনা এটেক য়াম্না চত্থবা ঙমখি। অদুবু ১৫শুবা মিনট অমসুং ২৭শুবা মিনটতা পাঞ্জল চনবা য়াবা খুদোংচাবা মাংজখি।

ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী মরিয়ামল বালামুরুগননা পাঞ্জল ২ চনখি। অদুগা সুমতি কুমারীনা অতোপ্পা পাঞ্জল অদু চনখি। দ্রো চৎখ্রবা মতুং টিম অনীনা য়ুমশাকৈশা নুমিৎতা অনীশুবা মেচ শান্নগনি।

## ইন্দিয়াগী কোনেরু হমপিনা কায়র্ন্স কপ টাইটল ফংদুনা ৱর্ল্ড নম্বর ২ পোজিসন ফংবা ঙমখ্রে



হায়দরবাদ, ফেব্রুৱারী ১৭(এজেন্সী): ইন্দিয়াগী নুপীগী চেছ শান্নরোয় গ্রান্দ মাষ্টর কোনেরু হমপিনা য়ু এস এগী সেন্ট লুইদা লৈবা মেরিলেন্দদা পাঙথোকখিবা কায়র্ন্স কপ চেছ টুর্নামেন্টকী ২শুবা এদিসনদা টাইটল লৌবা ঙমদুনা মালেমগী নুপীগী চেছ শান্নরোয়শিংগী ৱর্ল্ড রেঙ্কিংদা ২শুবা থাক কনবা ঙমখ্রে।

মালেমগী ওইনা নুপীগী চেছ টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা টুর্নামেন্টনি হায়না লৌনরিবা কায়র্ন্স কপ চেছ টুর্নামেন্ট অদুদা ইন্দিয়াগী গ্রান্দ মাষ্টর কোনেরু হমপিনা অহানবা ওইনা শরুক য়াখি।

টুর্নামেন্ট অদু ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন চাইনাগী জু ৱেনজুন য়াওনা মালেমগী মকোক থোংবা নুপীগী চেছ শান্নরোয় ৮না রাউন্দ রোবিন ফোর্মেটতা পুন্না রাউন্দ ৯ শান্নখি। মদুদা চহী ৩২শুরবী ইন্দিয়াগী কোনেরু হমপিনা পোইন্ট ৬ ফংদুনা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখি।

কোনেরু হমপিনা টাইটল অদু লৌবা ঙম্লবা মতুং ফোঙদোকখিবদা টুর্নামেন্ট অদুগী খ্বাইদগী মরু ওইবা মেচ অদু ৭শুবা রাউন্দদা অলেকজেন্দ্র কোষ্টেনিক্কা শান্নখিবা অদুনা ওইখি হায়রি। মহাক্না মেচ অদুগী মাংওইননা গেম ৫ শান্নরকপদা অমত্তা মায়থীদনা লাকখিবা রোকোর্দ অদু কাইহন্দনা মেচ অদুসু মায়থীখিদে।

টুর্নামেন্ট অদুদা ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন চাইনাগী জু ৱেন জুনা ৮শুবা রাউন্দদা মায়থীখিবা অদুনা কোনেরু হমপিনা মমাঙগী রাউন্দশিংদা পোইন্ট ০.৫ হেন্দুনা লৈখিবদগী খুদোংচাবা লৌদুনা অরোইবা রাউন্দদা দ্রো চৎলগা কায়র্ন্স কপ টুর্নামেন্ট অদুগী লোইশিল্লকপদা পোইন্ট ৬ ফংলগা টাইটল লৌবা ঙমখি।

অরোইবা রাউন্দ অদুদা কোনেরু হমপিনা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোয় গ্রান্দ মাষ্টর দ্রোনাভালি হরিকাগা দ্রো শান্নখি। দ্রোনাভালি টুর্নামেন্ট অদুদা পোইন্ট ৪.৫ ফংলগা ৬শুবা তাখি। টুর্নামেন্ট লোইশিল্লবা মতুং ৱর্ল্ড নম্বর ২ য়ৌখ্রবী হমপিনা ৱর্ল্ড নম্বর ১ ওইননবা লম্বেল নকশিল্লক্লে হায়না ফোঙদোরক্লি।